থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# খন্থদবা য়াদবা ৱাফম অমা সমরজিৎনা হায়বরা?

পাউদম অসি ইবা হৌবা মীকুপসিদদি নাগালেন্দ অমসুং মণিপুরগী মীয়াম্না খ্বাইদগী লাংতক্লনা ঙাইরিবা 'ইন্দো-নাগা পিছ টোক'কী ৱারোইশিন ৱারোল অমদা নাগা মীয়ামগী মীহুৎশিংগা ইন্দিয়া-লৈঙাক্কী মীহুৎশিংগা খুৎয়েক পীনরনি' হায়বদুগী চপ-চাবা পাউ অদু ফংদরি। পাউ-চে খরদা 'নাগাশিংগী তোখায়বা ফিরাল অমা লৈহনবা হায়বদুফাওবদি ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা য়ারে, তোখাইবা কন্সটিট্যুসন শেম্বদুদি য়াদ্রি' হায়না ফোঙখিবদুগী মখা তাবা পাউ তানীংখি। এন এস সী এন (আই-এম) য়াওদনা সাইন তৌনরবসু য়াই হায়বদুনা কমদৌবা? পাউসি নত্তবা অতৈ অমা কনানসু তানীংদে। মীয়াম পূম্বনা ঙাইনরিবসি মদুনি, মিনিষ্টরশিং ফাওবা য়াওনা। হৌজিক্কী ওইনদি মসিদই হেন্না মরুওইবা পাউ অমা লৈতে'বু হায়বা য়াই। মরকসিদা সোসল মিদিয়াগী খূত্থাংদা কনফার্ম ওইদবা পাউ অমগা ফংই মদুদি 'অরোইবা খুৎয়েক পীনবগী মতমসি থা অহুম অমগা, হায়বদি জন্যুৱারী ২০২০ ফাওবা শাংদোকখরে'।

অশেঙবা/অরেপ্পা পাউ অমা তারগা পাউদম অসি ইগে খঞ্জরম্বনি। পাউ অসি মণিপুরগী পুৱারী, মোর্দন পোলিটিকল হিষ্টরিগী অনৌবা মায়ওন পীবা তাঙ্কক অমা ওইদৌরিবা য়াম্নমক মরু ওইবনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনসু ৱারেপ অসি হাথু-হাথু লৌরক্লোই। নেসনল ন্যুজ এজেন্সিশিংনসু, মতম খরা য়েথোক্লবা য়াই ফোঙদোক্লরকই।

মরকসিদা, নারেংবম সমরজিৎ'না 'মণিপুরবু ইন্দিয়াদগী তোখায় তারবা, লন্দন'দা গভর্ণমেন্ট-ইন-একজাইল লৈরবা, নিংথৌ পানবা নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইরে' লাউথোক্লক্তুনা ৱাখলসিবু অমুক্কা হেন্না চরাংনহল্লে। ওইরক্লিবা, লৈবাক্কী ওইবা চরাংনবা ফীভম অসিদা মহাক্না লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি মফম-মতম-চাদবা, হৈরাংলিঙৈ য়ুরাংবা হায়বা থৌদৌ অদুরা? নৎত্রগা, ৱাখল মুন্না খন্থরগা, মতাংসিদা, তৌরগে খন্না তৌরক্লিবা থবক অমরা? ঙরাংগী নুমিৎ চূপ্পদুমা লৈতাদনা খনখি ঐ। লৈবাকসিগী ইকোনোমিদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরক্কে হোৎনজরম্বা, দিভলপমেন্টকী অচৌবা প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎকে হোৎনরম্বা নুপা অমনবু ৱাখল য়াওদবা মী অমনা তৌগদবা থৌদৌ অমা তৌবা হৌনবরনে? ইন্দিয়ন য়ুনিয়ন অসিগী ষ্টেট অমবু য়ুনিয়ন্দগী নীংতম্লে, তোখায় তারে লাউথোক্লকপা হায়'সি ৱাখল য়াওদবা মী অমনা তৌগদবা থবক নত্তে, ৱাখল লৈবা থৌনা ফবা মীশক অমগী মতৌনি - হায়দবা ঙম্লোই ঐহাক্তি।

ৱাহৈ অসি হায়মনবা থোকপরা? মীৎমাঙদা থোক্লিবা, থোক্লক্কদৌরিবা থৌদোকশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা নৈনসি। মণিপুর কৌবা লৈবাক অমা বৃটিশ কোলোনিঅল রুল মখাদা লৈরম্মী, ইন্দিয়া'না নীংতমগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈ, 'মণিপুর'সু নীংতম্বা লৈবাক ওইরকখি, লৈঙাক শক্তি 'নিংথৌ বোধচন্দ্র'দা শিন্নরমখি, বোধচন্দ্র মশামক্না 'মণিপুর লৈঙাক লোইশিন্দুনা মীয়াম লৈঙাক লীংখৎনবা লৈঙাক কাঙলোন' (কন্সটিট্যুসন) শেমগৎখি, কন্সটিট্যুয়েন্ট এসেমব্লি লীংখৎখি, এসেমব্লি মীখল পাঙথোকখি, মশাগী তোঙানবা ফিরাল চহী কয়াগী মমাঙদগী লৈরকখি...। অদুবু পূন্নমক্তু নাথৈরগা, পূন্নমক্তু কাউথোক্লগা নিংথৌদুবু শিল্লোংদা কৌদুনা, হান্ননা ইথোক্লবা 'মণিপুর-পূনশিন-ৱারোল' (মর্জর এগ্রিমেন্ট) দুদা নমদুনা খূৎয়েক পীহনখি, মণিপুর ইন্দিয়াদা পূনশিনখি। মতমদুদই ওইরকখি 'হায়বা ইনবা, পঙজরবা ইন্দিয়নশিং'। মণিপুরী দান্স, 'ইন্দিয়ন ক্লাসিকেল দান্স ফোর্ম' অমা ওইরকখি। বৃটিশশিংনদি 'মৈতৈ ত্রাইব' হায়না শক্তাক্লম্বা, অৱাংবা থাক্কী মীওই ওইনা শক-লেপ্লকপদা হরাওখি।

অদুগা, অমরোমদা - ইন্দিয়া কৌবা নেসন অসি শেম্লকপদা অসাম - ষ্টেটকী নাগা-হিলস দিষ্ট্রিক্ট ওইনা শকফোঙলকপা, নাগা-হোষ্টাইল হায়দুনা নিংঙাই তৌবা কাঙলূপ অমা ওইরকখিবা, নিংঙাই অদু থেম্নবা ১৯৬৩দা 'নাগালেন্দ-ষ্টেট' শেমখিবা। মদুনা পেলহনবা ঙমদ্রবা খূৎলায় পায়বা নাগাশিং, অৱাং-নোংপোক-ইন্দিয়াগী নীংবা-থুংদ্রবা নহাশিং খূৎলায় পায়বা লালহৌ ওইনা হৌরকপদুগী মাঙজিন থাবা ওইরকখি। নোংমৈনা নমথবা ৱারনি খনবদগী খ্বাইদই কনবা লালহৌ-লূপ্তুগী লানচিং পুরেন'দু থেমদুনা পোলিটিকল সোল্যুসন পুরক্লবা ৱারী শাবা হৌরকখি। চহী কুন্নিথোই হেল্লক্লে। ৱারোইশিন অমা পুরক্তবা য়ারক্ত্রে। অকনবা অমা পেলহন্নবা অশোনবা খরা কপহৌবা - নেচরেল লো'নি খনবা মাল্লি, ওথোরিটি ওইবা ইন্দিয়াসু। মণিপুরগী মীতৈ-লালহৌবা অমসুং মীতৈ-পোলিটিসিয়ন-ইন্দিয়ন পোলিটিসিয়নশিংনা স্পাইন-লেস-ক্রিয়েচর (য়াঙলেন শরূ পান্দবা থৱায় পানবা) ওইনা উই হায়বসি থেঞ্জাং কয়াদা উৎথোকখরে মশানা। থৌওং অদু ঙসিসু চত্থনবা শেম-শারকপা উরেদনা। মণিপুরগী 'সিগুম্না মশাগী ফিরাল অমদি কন্সটিট্যুসন, নাগালেন্দগীসু হান্না লৈজবা ওইরম্মু - নহান্না শেত্তুনা লৌরম্লগনি অমুক হন্না। কাশ্মীরদা লৈরম্বদুফাওবা মুত্থৎখ্রবদা, শুকলৈ লৈরমদবা নাগালেন্দ'দদি লৈহনগদবনি, কন্সটিট্যুসন তোখায়না ইগদবনি মুক্লিবনি। কাশ্মীরদা কৈ ওইরম্বদু নাগাগী মাঙদা হুইজাও ওইগে তৌরিবনি।

নোংমৈ-মাঙদা থাঙগী জগোয় শাখিবা অথৌবশিংগী মচা-মশুনি চাউথোকচরিবশিং - প্রি-মর্জর মমাঙগী থাক অদুদা হনজিনহল্লু, লাইরেন মখোয়দা চৈনা থিনগনু হায়না থৌনা ফনা হায়বা ঙম্বা লুচিংবা অমত্তসু থোরক্তরে। লূপ অমগী মীওইশিংনা লাউজবা খোল্লাউ অদুবুদি চোইরোল ওইহল্লি। থৌনা ফবা হায়সিরা, অঙাওববু কৌসিরা! নারেংবম সমরজিৎনা হন্দক লাউথোরক্লিবা দিক্লারেসন অসিনা মীয়াম্বু ৱাখল খন্থহন্নবা তাঞ্জা অমদি পীবরা? খন্থবীয়ু অদোমসু - নাগা ইস্যু অসিদা গভর্ণমেন্ট'না থাংলক্কদৌরিবা খোঙথাংদুদা কাউন্টর মুভ অমরা?

লৌশিং পুক্কে/খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# তোয়না খৌদেম্বা- করিনা থোকহল্লকপনো?

খৌদেম্বা হায়বসি মীওই অয়াম্বদা থেংনবা থৌওং অমনি। করিগুম্বা মতমদদি মসি খনাউদা নুংঙাইতবা লৈবদগী তৌবা য়াই, নৎত্রগনা হৈনবী ওইনা তৌবসু য়াওই। অদুবু মসি তোয়না তৌরবদি হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবা অমা লৈবদগী ওইবা য়াই।

মীওই অমনা মহাক্কী খনাউদা মরেং-মরেং চৎপদগী নৎত্রগনা করিগুম্বা পোৎশক অমা পন্দুনা লৈবা মানবা ওইনা ফাওবদগী তোয়না খৌদেম্বগী থৌওং অসি থোকপা য়াই। অসুম্না করিগুম্বা পোৎশক অমা পন্দুনা লৈবা মানবা অসি করিমত্তা লৈত্রগসু থোকই। খৌদেম্বা হায়বসি লায়না অমদি নত্তে, অদুবু লায়না অমগী লাইওং ওইবদি য়াই। তোয়না খৌদেম্বগী মতাংদা ৱাফম খরা থমজরি।

পোষ্টনেজল ড্রিপ- ঐখোয়গী সাইনস, খনাউ অমদি নাতোন্দা ম্যুকস পুথোকই, মসি মতম পুন্নমক্তা ঐখোয়না য়োৎশিল্লিবনি। অদুবু অসিগুম্বা ম্যুকস অসি মখাদা কুমথখিবগী মহুত্তা খনাউদা থোক্লক্লবদি মদুবু পোষ্টনেজল ড্রিপ কৌই। পোষ্টনেজল ড্রিপ অসি ইনফেক্সন, এল্লর্জি অমদি এসিদ রিফ্লক্সনচিংবনা মরম ওইরগা থোকহল্লি। অসিগুম্বা মতমদা খনাউ চাথৎপা-নাবা, খোঞ্জেল শিবা অমদি তিল তোয়না য়োৎপনচিংবা অতৈ সিম্পটমশিংসু থেংনবা য়াই।

এসিদ রিফ্লক্স- লরিঙ্গোফরিঞ্জিয়ল রিফ্লক্স (এল পি আর) নৎত্রগনা সাইলেন্ট রিফ্লক্স হায়না খঙনবা রিফ্লক্স মখল অমনসু তোয়না খৌদেম্বগী থৌওং তৌহল্লি। এল পি আরদা তৌরিবা অসি চাকখাউদগী এসিদনা ইসোফগসতা কাখৎলক্তুনা লেরিঙ্কস অমদি ফেরিঙ্কসতা য়ৌরক্তুনা খৌনাউদা ইরিটেসন থোকহনবনি।

নেজল এল্লর্জি- এল্লর্জেনশিং হকচাংদা চঙলকপা মতমদা হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টেমনা হেঞ্জিন্না রিএক্ট তৌবদগী এল্লর্জি থোকই। নেজল এল্লর্জি থোকহল্লকপগী মরুওইবা মরমশিংগী মনুংদা পোল্লেন, উফুল-ৱাইফুল, হূই হৌদোঙগী মতুনচিংবশিং য়াওই। নেজল এল্লর্জি তৌবনা ম্যুকস হেন্না পুথোকপদগী তোয়না খৌদেম্বগী থৌওং থোকহল্লি। নেজল এল্লর্জিগী তৌবা মতমদা নাতোন ফুনবা অমদি মহী চেনবা, মীৎ হাপ্পচবা অমদি পি তাবা অমসুং হকথি খনবনচিংবা লাইওংশিংসু থেংনবা য়াই।

হীদাক লাংথকশিং- দোক্টরশিংনা ব্লদ প্রেসর ৱাংবা লায়েংবদা এঞ্জিওটেন্সিন কনভর্টিং ইঞ্জাইম (এ সি ঈ) ইনহিবিটরশিং তোয়না শীজিন্নে। হীদাক মখল অসিনা নাতোন ফুনবা অমদি পোষ্টনেজল ড্রিপকী খুদোংচাদবা থোকহল্লি, অসিগুম্বা ফিভম অসিদা নুংঙাইতবা অদু কোক্লবা তোয়না খৌদেম্বগী থৌওং থোক্লকই।

টিক দিসওর্দর- টিক দিসওর্দর হায়বসি মীওই অমনা মশানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবা মওংদা খঙহৌদনা অমদি হঞ্জিন-হঞ্জিন্না খোঞ্জেল পুথোকপা, লেঙবা নৎত্রগনা মমায়দা শুগৎপা অসিনচিংবা তৌবগী থৌওং অমনি। খুদম ওইনা মশানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদনা মীৎ চগুপ চগুপ কুপ্পা অসিসু টিক দিসওর্দরগী মনুং চল্লি। সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সি দি সি)গী মতুংইন্না টিক দিসওর্দরগী মরুওইবা মখল অহুম লৈ: পর্সিষ্টেন্ট ভোকেল ওর মোটোর টিক দিসওর্দর; প্রোভিসনেল টিক দিসওর্দর; অমদি টোরেট'স সিন্দ্রোমনি।

কুমজা ২০১৫ দা চত্থখিবা ষ্টদি অমগী মতুংইন্না খৌদেম্বা অসি টিক দিসওর্দরশিংগী খ্বাইদগী তোয়না থেংনগনবা সিম্পটৈম মঙাগী মনুংদা অমনি। মসিগী মরমদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি অদুবু থৌওং অসি মীওই কয়ানা থেংনৈ অদুগা নুপাশিংদনা হেল্লি হায়রি।

টিক দিসওর্দরগী তোঙান তোঙানবা সিম্পটোম কয়া লৈবা য়াই, অদুবু খরা তোয়না থেংনগনবশিংদি মীৎ তোয়না কূপ্পা, ঙক হাইবা, ৱাহৈ অমা নৎত্রগনা খোঞ্জেল অমা হঞ্জিন হঞ্জিন্না পুথোকপা, খূকাপ্পী তোয়না কাপ্পা অসিনচিংবা য়াওরি।

ভোকেল কোর্দতা পোম্বা- ভোকেল কোর্দতা মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা চাউথোকপা-পোমথোকপা, খুদম ওইনা পোলিপ্স, নোদ্যুল, নৎত্রগনা সিষ্ট লৈবনা খৌনাউদা করিগুম্বা পোৎশক অমা পল্লগা লৈবগুম ফাওহল্লি। অসিগুম্বা ফিভম অসিনসু তোয়না খৌদেমহন্নবগী মরম ওই। অসিগুম্বা অপোম্বা নৎত্রগনা চাউথোকপশিং অসি থোকহল্লকপগী মরমশিংগী মনুংদা হীদাক মনাগী মৈখু শীজিন্নবা, এল্লর্জি, ঈশৈ শকপা নৎত্রগনা লাউবগুম্বদা ভোকেল কোর্দ কা হেন্না শীজিন্নবা, লোক তোয়না খূবা, জি ঈ আর দিনচিংবশিং য়াওরি। ভোকেল কোর্দতা পোম্বা মতমদা খোঞ্জেল শিবা, নীংশা চনীং চমাঙ শম্নদবা, ৱা ঙাঙবদা নাবনচিংবা খুদোংচাদবশিংসু থেংনবা য়াই।

তোয়না খৌদেম্বগী থৌওং অসিনা মরম ওইরগা য়াম্না নুংঙাইতবা অমদি খুদোংচাদবা থোকহল্লগদি দোক্টরদা য়েংথোকপা কান্নগনি। তোয়না খৌদেম্বগা লোয়ননা খৌনাউদা করিগুম্বা অমা পন্দুনা লৈবগুম ফাওবা, লোক মতম শাংনা খুরক্লবা, থজীন শাবা অসিনচিংবশিংসু য়াওরবদি দোক্টরদা শুংশোয় শোয়দনা য়েংথোক্কদবনি। তোয়না খৌদেম্বা ফহন্নবগী খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈদি থৌওং অসি ওইহল্লক্লিবা মরমশিং অদু খঙদোক্তুনা লায়েংবনি। ইশানা তৌবা য়াবশিংদি ঈশিং মরাং কায়না থক্তুনা খৌনাউ চোৎহন্দুনা থম্বা, হার্দ কেন্দি উম্বা, য়োৎশিনবদা খুদোংচাদবা থেংনরগদি তপ্পা শায়বা অমদি চাবা, নুংশিৎতা ঈশিং মনীল য়াওহন্দুনা থম্নবা য়ূম অমদি ওফিসতা হ্যুমিদিফায়র শিজিন্নবা-মসিনা খৌনাউদা ইরিটেসন তৌবা হন্থহনবদা মতেং পাঙ্গনি, ভোকেল কোর্দতা শোক্তনবগীদমক খৌদেম্বা মতমদা ইংনা অমদি য়াম্না লন্না খৌদেম্বা অসিনচিংবা তৌবা য়াই। এল্লর্জিনা মরম ওইরগা থোকহনবা খৌদেম্বদি এল্লর্জি থোকহনবা পোৎশক নৎত্রগনা ফিভম অদু য়ারিবমখৈ থেংনদনবা হোৎনগদবনি।

## শক্তম কায়বা য়ারোই হায়না চেকশিন ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): কোকোমিগী লমজিং মখাদা কোওর্দিনেটিং বোদি খুরাইনা সোসল রিফোর্মর ক্লব অমদি খুরাই পুথিবা লৈকায় মৈরা পায়বীগা খুৎশম্নদুনা খুরাই পুথিবা লম্পাক্তা মণিপুরগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়না চেকশিন ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা কয়ানা ফোঙদোক্লখিবদা, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা পিছ টোক্কী ৱারোইশিন পুরকপদা তরাম্না ওকই। অদুবু করিগুম্বা মসিনা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি, বাউন্দরি, কষ্টম, কলচর, ফাইনান্সিয়ল অমদি এদমিনিষ্ট্রেসনদা অহোংবা অমসুং অকায়বা পীরক্লবদি মীয়াম্না তুমীন্না লৈথোক্লোই। মসি মণিপুর লৈঙাক অমদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা খঙজিনবা ফৈ। তুংদা থোরকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক পুন্নমক মখোয়না পুগদবনি। হিরম অমত্তদা মণিপুরগী ঙমখৈ অমদি অপূনবা শক্তমদা শোকপা য়াবা থৌওং চত্থবা য়ারোই। ফুরুপ কয়ানা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা লমদম অসিদা অপূনবগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা থবক তৌবা তাই। য়েলহৌঙৈদগী ফুরুপ কয়ানা পুন্না হিংমিন্নরক্লিবা লমদম অসিগী শক্তমদা শিংনরকপা য়ারোই। অপূনবগী শক্তমদা লৈগদবনি হায়নসু ফোঙদোক্লখি।

খুরাই মায়কৈগী ক্লব অমদি মৈরা পায়বী কয়ানা পুন্দুনা ঙসি খুরাই লম্লোং কৈথেলদা হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোঙজং চঙশিনখি। মণিপুরগী ঙমখৈ অমদি অপূনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা চেকশিন খোল্লাও কয়াসু লাওখি। হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোঙজং চঙশিনখিবা অদুদা খুরাই মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী নুপী লূপ অমদি মৈরা পায়বী কয়াসু শরুক য়াখি।

মরকসিদা, সনলাইট লাইব্রেরী ক্লব, কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়দা ঙসি লমদম অদোমগী নুপী কয়ানা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা পিছ টোক চত্থরিবা অসিনা মণিপুরগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লখি হায়রি।

## নিংঙোলশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): অৱাং নোংপোক চীংখৈ মীতৈ/মৈতৈ ইনাই য়োকখৎ লূপ পুংদোংম্বমনা নিংঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা য়াইফ পাউজেল পীরি হায়না লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা ফুরুপশিং নুংশি লীপুননা পুন্দুনা নুংশিনবা পুরকপা ওইরসনু। নিংঙোল ওইবীশিংনা মবুং-মৌপ্পাশিংগা য়াইফবা নুংঙাইনবগী থৌজাল পীরসনু। কাঙলুপশিং পুন্নমক নুংশি-চান্নবা ওইরসনু হায়রি।

## সমারোহ দিৱস পাঙথোকপা হৌরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচ এন এস): মণিপুর গীতা মন্দলনা শীন্দুনা চাতুর্ম্মাস্যব্রত সমাপন্ন সমারোহ দিৱস থা অসিগী ১২ দগী মণিপুর গীতা ভবনদা সৎসঙ্গ সভা পাঙথোরকপগী থৌরম পাঙথোকপা হৌগনি হায়না মন্দল অসিগী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ১৬ তা বন-পরিক্রমা ভোজন দিৱস নিংথৌখোং বজারদা লৈবা গোপিনাথকী দর্শনগা লোয়ননা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা গীতা মন্দলগী মীওইশিংনা মতম চানা লাকপীয়ু হায়রি।

## মীরেপ ৮গী মীং লাউথোকখ্রে

বেঙ্গালুরু, ওক্টোবর, ৩১ (এজেন্সী) : দিসেম্বর ৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা কর্ণাটাকাগী বাই ইলেক্সনগা মরী লৈননা কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইগদবা মীওই ৮গী মীং লাউথোকখ্রে।

পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি মুকুল ৱাসনিকনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, কোংগ্রেসকী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা মীওই ৮ বাই ইলেক্সন্দা মীরেপ ওইহনবগী মতাংদা অয়াবা পীরে। অথুবা মতমদা অতোপ্পা মীরেপ তরেৎকী মীং লাউথোক্লগনি।

থা ১৪ চূপ্না ষ্টেট অসিদা কোংগ্রেস অমসুং জনতা দল (সেক্যুলর) গী চুংশিন্নবা লৈঙাক লৈরকখ্রবা মতুংদা হৌখিবা জুলাই ২৩দা পাঙথোকখিবা থাজবগী ভোট লৌনবদা লৈঙাক্না মায় পাকপা ঙমখিদে। মতুং তারকপদা কোংগ্রেস অমসুং জনতা (সেক্যুলর) না মরক্কী মীখলদা তোঙান তোঙান্না মীরেপ থাদোক্লবা ফিরেপ লৌখি।

ওক্টোবর ২১দা মহারাষ্ট্রা অমসুং হরিয়ানাগী এসেমব্লি ইলেক্সনগা লোয়ননা কর্ণাটাকাগী ওইনসু মরক্কী মীখল পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলম্বনি। অদুবু দিসক্কালিফাই তৌখ্রবা কর্ণাটাকাগী এম এল এ খরনা সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন হৌজিকসু পন্দুনা লৈরিবা মরম্না বাই ইলেক্সন পাঙথোকপগী মতম দিসেম্বরদা য়েথোকপা তাখি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১।১১।২০১৯ইং, ইরাই। হিয়াঙ্গৈগী ৫নি পানবা।

**মেষ :** লম চৎপা কান্নগনি, অরাপ্পদগী নুংঙাইবা পাউসু তাগনি অমদি নচাক-নরল চাওখৎকনি। মীয়ামগা লোয়নবা থবক মায় পাক্কনি। নথক থোংবনদি চানবা ৱাৎলি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা লুনা তৌই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

**বৃষ :** মীনা লাকচবা ঙমদবা, খুদক্কী ৱারেপ লৌবা য়াবা অমদি লৈঙাক্কী থবক্তা চাওনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। হকচাং নুংঙাইবা অমদি লাইবক ফবা খরা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীগী পূক্লিং খঙবীয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**মিথুন :** লাইবক ফগনি, নীংবসু থুংগনি অমদি লল্লোন ইতিক্কী থবক্তা মীনা লাকচবা ঙমলোই। মীংচৎ ফংগনি, ঙাঙথোকপদা রাশি য়াওগনি অদুবু ফিংবদি য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক য়াম্না ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**কর্কট :** ঙাঙ শকপদি চেকশিল্লু মরমদি চোপ্পা য়াবা লৈ অমদি তুংগী পোরম য়াৎপসু হৈরোই-অখঙ অহৈ তানৌ। মীচং খরদি লৈরনি, খাংবা কনবগী কান্নবদি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**সিংহ :** হকচাং নুংঙাই-অদুনা অনম তান্না থৌ পাংবা কান্নগনি, লৈঙাক্কী লম্‌দা কনানসু লাকচবা ঙমলোই অমদি পন্দুনা লৈরুবা থবক পাইরো, মীয়াম্না য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কন্যা :** খোইরাং খোইশাওবা লৈগনি, লৈঙাক্কী থবক্তা অকিবা নংগনি, মরম চাদনা ইচং থৌবনা শেল য়াম্না চৎকনি। নোল্লুক্না চৎলু, হোয়া ফনু-য়াইফবা ওইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ঈংথবনা কান্নগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**তুলা :** চিন শোইরগা লন মাঙবা য়াবা ঙসিসু লৈ অমদি ৱানোম-থৌনোম তৌগনু-নথক থোংবনা নরলদা মীতাবা লৈ। অদুবু থবক পাংগনি, মরুপ-মপাংনা চানগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**বৃশ্চিক :** য়েৎনবা, পাউ নুংঙাইতবা তাবা অমদি পংশিনবা লৈগনি। অদুনা মহৌশাগী থৌশিলদগী হেন্না পায়খৎতবা ফগনি। নঙগী মীনি খঞ্জবনা নরলদা য়েংশিল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**ধনু :** হরাওবা নুংঙাইবা, মীচং হেনগৎপা অমদি লাইবক ফবা নুমিৎনি। লৈঙাক্কী থবক্তা নীংবা থুংবা অমদি পাইরক্কী লৌশিং য়াম্না লৈবনা মীকোক থোংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**মকর :** মরুপ-মপাং লোয়নবা থবক শোইদনা মায় পাক্কনি। থৌরম শিনবা হৈবা অমদি ঙাঙবা হৈবনা শেল ফংউ হায়বসু লৈ। নচাক নরলদি চেকশিন্দবা তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - থিবা হুম্বা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কুম্বা :** অরিবা থবক্তা লন মাঙবা য়াবা নত্তনা অতৈ লম্‌ খুদিংদা চাওনা মায় পাক্কনি। চিংনবা লৈতনা অনীংবা পাংবা য়াগনি, য়েৎনবগী মরমদা মীনা লাকচবা ঙমলোই।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

**মিন :** থবক পাংগনি, মীচং লৈগনি, অমদি মীয়াম লোয়নবা মায় পাক্কনি। মীতোপ্পা কল্লকপদি লৈগনি অদুবু লৌশিং চাউবা ওইবনা খন্থরদি মীনা লাকচবা ঙমলোই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# 'ঐখোয়গী মতম, উখ্খুল'

থৱান





Thawan is a poet and musician from Imphal.